# ৱার্ক্স মিনিষ্টরনা মণিপুরগী লম্বীদা খুদোং থিবা থৌদোক থোকহন্দনবা
# ফন্দ মতিক চানা পীনবা সেন্টরদা তকশিনখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, আগষ্ট ১ঃ*** মণিপুর সরকারগী ৱার্ক্স এন্দ ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর ডাঃ কে ঐচ রতনকুমারনা ঙসি সেন্টরগী মফমদা স্পিসিয়েল কেটেগোরি ষ্টেট অমা ওইরিবা ষ্টেট অসিগী রিছোর্স লৈতবা অসিগী য়েংদুনা মণিপুরদা লম্বীগী অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা খোঙথাংশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎনবগীদমক্তা সেন্ত্রেল এসিষ্টেন্স ওইনা ফন্দ মতিক চানা পীবিনবা তকশিনখ্রে।

মণিপুরদা য়ু থক্লগা গাড়ী থৌবা থিংনবা ব্রেথ এনালাইজর, ইন্টরসেপ্টর, স্পিদ রাদার গন, এম্বুলেন্স, ক্রেন ৱেববেজ দাটা মেনেজমেন্ট সিষ্টেম, ইমর্জেন্সি রিলিফ সার্ভিস সিষ্টেম, ট্রাফিক পুলিসকী মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমসুং ষ্টাফ নিংথিনা মথৌ তৌহনবা অসিনচিংবা হিরম কয়াগী ষ্টেট-ওফ-দি-আর্ট ইক্বিপমেন্টশিং থন্বা য়াম্নমক তঙায় ফদ্রে হায়না মিনিষ্টরনা মচা খায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি এ পি শিন্দে হোল, এন এ এস সি কমপ্লেক্সতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱোয়জ ডাঃ সি পি যোশিনা চেয়ার লৌদুনা পাঙথোকপা ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টরশিংগী মিটিং অমদা ডাঃ রতনকুমারনা ৱা ঙাংখি। মিটিং অদুদা পঞ্জাব, টামিল নাদু, মণিপুর, মধ্য প্রদেশ, মিজোরাম, রাজস্থান, নাগালেন্দ, উট্টরাখন্দ, বিহার, দিল্লি, ঝাড়খন্দগী ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টরশিংনা শরুক য়াখি।

মিটিং অদুদা ইং ২০১১ গী রোদ এক্সিদেন্টশিংগী দাটা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা ওইরিবা লম্বীগী ফিভম অমসুং রোদ এক্সিদেন্টশিংদা অশি-অনা থোকপগী চাং হন্থহন্নবা ষ্টেট অমসুং সেন্টর অনিমক্কী থাক্তা পায়খৎফম থোকপা থবকশিংগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখ্রে।

ডাঃ রতন্না হায়খি, চহী অসিগী মার্চ ৩১ ফাওবদা মণিপুরগী লম্বীদা চেল্লিবা গাড়ী মখলশিং অসি পুন্না ২,০১,২৬১ য়ৌরে। ইং ২০১১ দা মণিপুরদা পুন্না লম্বীগী এক্সিদেন্ট ৬৯২ থোকখিবগী মনুংদা ৮৩ না নেস্নেল হায়ৱেশিংদা অদুগা ২৮ না ষ্টেট হায়ৱেশিংদা থোকখিবনি। থৌদোকশিং অদুনা পুন্না মীওই ৬৩ অরুবা ফিভমদা অশোক-অপন নংখি।

অশুম্না লম্বীগী খুদোং থিবা থৌদোক হেনগৎলকপা অসি চাং হন্থহন্নবগীদমক্তা ষ্টেট অসিগী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা মণিপুর বার কাউন্সিল, ট্রাফিক পুলিস, ট্রান্সপোর্ট এসোসিয়েসনশিং অমসুং দ্রাইভর এসোসিয়েসনশিংগা খুৎশম্নদুনা ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেমগী মতাংদা মীয়ামদা জ্ঞান তাহন্নবা প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখ্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।

অর্বান ট্রান্সপোর্টকী সিষ্টেম নাইবা ট্রাফিক অমা চৎনহন্নবগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা গভর্নমেন্ট দিপার্টমেন্টশিংগী মেম্বরশিংনা শাবা ট্রাফিক রেগুলেসন এন্দ পার্কিং কম্মিটি কৌবা দিসিপ্লিনরি বোদি অমা শেম্লে। ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট ওঠোরিটিনা মণিপুরদা চৎনবা য়াগদবা ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট পোলিসি অমা পুথোক্লবা কন্না হোৎনরি হায়না ডাঃ রতন্না মিটিং অদুদা সেন্টরগী পুক্নিং চিংশিনখ্রে।

নেসনেল হায়ৱেশিং, ষ্টেট হায়ৱে, ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট রোদ অমসুং অতৈ দিষ্ট্রিক্ট রোদশিংদা লম্বী নাকলগী খুদোংচাবা কয়া থমদুনা লুট-পাট তৌবদগী পেসেঞ্জর অমদি গাড়ীশিংবু ঙাক-শেন্নবগীদমক্তা নেসনেল রোদ সেফটি কাউন্সিলনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মহাক্না তকশিনখ্রে।

মিনিষ্টরনা হায়খি, মণিপুরগী হায়ৱেশিং অসি অশোয় অঙাম থোকপা থিংনবা থৌরাং অমত্তা লৈত্রে। চীংগী লমদমদা লৈরিবা নেসনেল হায়ৱেশিংগী শরুকশিংগী থেকচিনফম কোনাশিংদা লোইরোই লোইরোই ঙমখৎপা অমসুং হেন্না পাক-চাউহনবা অসিনচিংবা অমত্তা থমদ্রে। মফম খরদদি অঙঙ্গী চাং অসি অয়াবা পীরবা চাং অদুদগী য়াম্না হেনবা য়াওরি। মণিপুরগী চীংমী শরুকশিংদা লৈরিবা নেসনেল হায়ৱে অয়াম্বা প্রোটেক্টিভ ক্রাশ বেরিয়র লৈতে। মেদিয়ানশিংগী মতোন থংবা শরুকশিং অসি চেল্লিবা গাড়ীশিংনা থেংজিনবা য়াবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈবা মরম্না মোদর্ন ওইবা ক্রাশ এবজোর্ভর হাপ্পা মথৌ তাই।

হায়ৱে পুম্নমক্তা সেফটি সাইন অমসুং রিফ্লেক্টিভ দিলাইনেটর থমদে হায়বা ৱাফম অসি পুথোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, দবল লেন রোদকী ময়াইথংবা পরিংদা রিফ্লেক্টিভ দিলাইনেটরশিং থন্বামথৌ তাই। মতম চানা শড়রক্কী অহোবা মখুলশিং মেনশিন্দবা হায়বসিসু নেসনেল হায়ৱেশিংদা রোদ এক্সিদেন্ট থোকপগী মরম অমনি।

মণিপুরদা পায়খৎলিবা লম্বীদা অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা থবকশিংগী মনুংদা য়াম্না তোয়না মাস এৱার্নেস প্রোগ্রামগী মনুংদা য়াম্না তোয়না মাস এৱার্নেস প্রোগ্রাম, টার্গেটেদ সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম মোবাইল সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম, স্কুলগী করিগুল্লমদা রোদ সেফটি মিজরশিং য়াওহনবা, ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা, ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স সার্ভিস মেকানিজম শেম্বা অমসুং ট্রোমা কেয়ার সেন্টর থম্বা হায়রিবশিং অসিসু মমিং পনবা য়াই হায়নসু ডাঃ রতনকুমারনা মিটিং অদুদা ফোঙদোকখ্রে।

ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর ময়ামগী ভাষনশিং অদু তারবা মতুংদা ডাঃ যোশিনা সেন্ত্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংনা রোদ সেফটিগী ইশু অসি পুন্না থেংনমিন্ননবা আপিল তৌখ্রে।

অদুমওইনমক, ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংনা খোঙলৈ থুনা পায়খৎফম থোকপা ইশু কয়া লৈরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখ্রে। ষ্টেট রোদ সেফটি কাউন্সিল, কম্মিটি লিংখৎপা অমসুং ট্রাফিক্কিং নিয়ম থুগাইবগা মরী লৈননা খোমগৎপা ফাইনশিং অদুগী চাদা ৫০ লৌশিন্দুনা ফন্দ থম্বা, ষ্টেট হায়ৱেশিং অমসুং খুঙ্গংগী লম্বীশিংদা অরানবা লৈরিবশিং অদু মশক খঙদোক্তুনা চুমথোকপা, মীয়াম্বু শরুক য়াহল্লগা দ্রাইভিং স্কুল লিংখৎপা অমসুং স্কুলগী করিকুল্লমশিংদা রোদ সেফটিগী মতাং য়াওহনবা হায়রিবা ইশুশিং অসি ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংগী মথৌনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা ষ্টেটশিংগী মফমদা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা চৎনরিবা খ্বাইদগী ফবা মওং-মতৌশিং অদু লৌনবসু আপিল তৌখ্রে। মহাক্না হায়খি, টামিল নাদুগী আর এ দি এম এস মোদেল অমসুং কেরেলা রোদ সেফটি এক্ট অসিনচিংবা অসি চৎনবা য়াই।

মিটিং অদু লোইরবা মতুংদা ডাঃ রতনকুমারনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ ডাঃ সি পি যোশিগা উন্নদুনা শোত্থহৌরবা মণিপুরদা সেন টরদগী পীবা য়াবা তেংবাং পুন্নমক পীবিনবা তকশিনখ্রে হায়না মণিপুর ইনফোর্মেসনমেন্ট, নিউ দিল্লিনা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।